# খন্বা থোইবী শৈরেংদা *'কাংজৈ'* : লায়র লমজাদগী লৈরোই মকোক খুমন কংলা নিংথৌবা-১

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

হন্ত্রে হুল্লসি/নুংঙাই, নুংঙাই শান্নসি/নুমিৎ ময়ূম চঙখিদরি/ ইমানা কৌরক্তরি। মতম অমদা ওল ইন্দিয়া রেদিওগী শক্তম হায়বা থৌরমদুদা হেক হেক শন্দোরকখিবনি। নুপামচাশিংনা নুমিদাংৱাইরমদা লৈকায়গী, খুনয়াগী লম্পাক্তা মনীং তম্না নুংঙাইনা কাংজৈ শান্নববু শৈথাবা ঈশৈনি। ওন্থোক্না নুংশিখ্রবা মতম অমগী খুঙ্গংগী পুন্সিবু কয়াদা ময়েক শেংনা শৈথারিবনো! মমল তিংনা লৈরুবা কাঙদ্রুম কাঙজৈ নত্তে। য়ূম য়ূমগী মনীংদা হৌরিবা ফজ-ফজরবা ৱাপন মরক্তা চঙদুনা কাঙদ্রুম শেম্নবা ৱারু ফূকই। শনৈবী ৱা অচৌবগী মখোঙদগী লোঙথোকপা মরূ য়াওবা ৱা মচা, শহী উতোয়গী মসা, থাঙজি উগী মসা, হায়রিবশিং অসি মথক থোংবা অহল-লমনশিংনা য়ানবীদুনা মৈদা ইক্লগা কাঙজৈ শেম্মী। শেল তিংহন্দনা ইরমদমগী পোত্থোক্না শেম্বা মচাক ঙাক্তনি। শান্নরিঙৈ শাউনরকপদৈ কাঙদ্রুম্না থাজিন্নবা, কাঙদ্রুম্না খুরাইদা হাইজিন্নবসু য়াওদবা নত্তে। নুংশিরিবদি মলোম থম্নদে অদুম্মক পেন্থোকনৈ। কাঙজৈ মশান্না, ঙসি ঙরাংখক্কী নত্তে, লমদম অসিদা লাই হাক্তক্তগী শান্নরক্লবা মশান্ননি। নোংপোক নিংথৌনা শান্নবগী কাঙলোন তাক্তুনা মার্জিং-থাংজিং, ঈরুম নিংথৌ- ৱাংব্রেন, য়াঙ্গোই নিংথৌ - নম্বুল লাকপা, নোংশাবা-ওকনরেল, খোরিফাবা - খল্লাংবা, ইকোপ নিংথৌ-ইরোং নিংথৌবা, লোয়ালাকপা - কৌব্রু হায়রিবা লাইয়ামশিংনা লম্বা-লম্বা ওইদুনা কাঙজৈ শান্নখি হায়না অখঙ অহৈশিংনা থন্বীরম্মী। লাইয়ামশিংগী থৌজাল ফংবনসু ওইরম্বা য়াই, ঐখোয়গী কাঙজৈ শান্নরোয় কয়ানা মালেমগী থাক্তা শান্নবা ঙমদুনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরক্লিবসিসু। লাইয়ামগী, ইপা-ইপুশিংগী থৌজাল ঈরিক খিকথবীরকপা, অরোই অখম নাইদে। মমাঙঙৈগী মতমদদি নুপা অমগী মতিক-ময়াই হেনগৎহনবা অমদি লাইবক লেপ্পদা মশান্না অসি অচৌবা মতেং পীরম্মী হায়বসি ৱারী লাইরিক কয়াদগী খঙবা ঙম্মী। মতমগী অনৌবা য়াওন্নি, ঙসিদি নুপাখক্তগী মশান্না ওইদ্রে, সুরজলতা, সুশিলানচিংবা হৈথোই শিংথোইরবী নুপী শান্নরোয় কয়াসু থোরকখ্রবনি।

লায়র লমজা খন্ববু থৌজানবীখিবা কাঙজৈ মশান্ননি। পিদোন্না, মতম অমগী অথৌবা পুরেন্বগী মপারীনি হায়বা খঙবীদনা মচেম খম্নু লায়রবীগী মীৎয়েং মখাদা লেঞ্জরকখিবা খন্বগী পুন্সিনি। সনা ফূদোংবা মতিক মঙালবু কয়াম কুইনা লোত্তুনা থম্বা ঙম্লুনি। খাম্বা য়াদনা মথং-মথং ফূদোরকই। মোইরাং নিংথৌগী মনাও ইবুংঙো চিংখুবগী লাকঙম ফাঙমদ্রবা কাওরেন অঙাওবা শেল্লুরবা তুংদা মনম লৈবাক তাহৈদ্রবগুম লৌনরম্বা অথোইবা নাপন্না থূমহৎলবা অঙোম নোংবানবু মূক্না লোংখ্রৌ চন্দুনা ইরায় লায়না হুন্থবা, কেগে লৈমরোন ইন চিংফম থোইবী নাক্তা য়ৌরক্তুনা নুংশি ৱাশক্লখিবা লাইনিংথৌ থাংজিংনা শান্নবা কুম্মৈখক্লি হায়রদ্রা? নুংদা লোত্তুনা থল্লম্বা মতিক-ময়াই শাফোঙলকপনি হায়রোইদ্রা? "কাঙজৈ", খন্বা থোইবী শৈরেং, অহানবা লাইরিক্কী মরিশুবা পন্দুপনি। ইন চিংফমদা খন্বা থোইবী থম্মোয় অনীমক হাংদোক্লখ্রবা মতুং চহী অমা ফারকপদা নোংমা পানা কাঙজৈ শান্নবগী ৱাফম চাউবা নোংথোম্বনা মোইরাং নিংথৌগী মফমদা হৌদোকই। চহী তরেৎ চুপ্পা থংন-থংননা মাগী খুনখা পানানা মনাও ইবুংঙোগী খুন্থকপু মায়থীবা পীদুনতা লাকপনা মনাওগী মতৌ য়েংবা ঙল্লমদে। চিংখুবগী মত লৌবা পাম্বদগী চাউবা নোংথোম্বনা ৱাফমদু হঙ্গৎলি। য়ানীংদা-য়ানীংদা মনাও ইবুংঙোসু য়াখি। অসুম্না চহীদুগী ওইনসু লৈবাক নিংথৌ খঙনা মুক্না কাঙজৈ শান্নগনি হায়বসি লৈবাক মীয়াম খঙনরকখি। মিপাইজরবী খম্নুনা শান্নবদু য়াওদনবা মৌপ্পাদা মেঞ্জৈ। মচিন্দদি চৎচরোই হায়না খুল্লবসু মবূক্লিংদদি য়াওরগে হায়না চপ য়ুংনা লেপ্লবা খুমন নোংয়াইনা মচেগী য়াথং ইন্দবগী তেকচাক পুহনবীনু হায়না থাংজিং লাইদা থৌনিজৈ। মুক্না কাঙজৈ শান্নবগী পাউজেনখ্রবা মতুংদা চিংখুবনা তম্পাকয়ূমদা হল্লক্লবা তুংদা মমোম থোইবীবু সেনুগা লোয়নননা কাঙজৈ য়েংবা থোক্তুনা চহী তরেৎ মায়থীবা নংদুনতা লাক্লবা খুন্থক পানাগী মুক্না কাঙজৈরোইশিংবু হৈরাং লৈরাং খুদোল তমদুনা পূক্লিং থৌগৎপীনবা পাউমেল্লম্মী।

থমংখোংগী খোংজিন্দা ৱাশক্লখ্রবা তুংদা খন্বা নত্তনা অতোপ্পা লম্লানবা কনাগী মফমদা হৈরাং-লৈরাং লানখ্ররোই খনখ্রবী থোইবীনি। মপাগী য়াথংসু হিক্তোকপা ঙমজদবনা খন্বসু কাঙজৈ য়াওহনবীয়ু হায়না চিংঙু লাইদা নিজরম্মী। কাঙজৈ শান্ননবগীদমক মপান কাঙজৈবুংদা মীয়াম তিনখ্রে। মজাইবেম্মা থোইবীসু থোরক্তুনা নুপাশিংগীনা মমৈ তারকপা নুপীশিংগীনা মকোক্তা ফমখ্রে। চাউবা নোংথোম্বনা চিংখুবসু কাঙজৈ য়েংবীনবা হঙ্গৎলুবদা হকচাং নুংঙাইতে হায়দুনা লেঙথোকখিদ্রে। চিংখুবনা হকচাং ঙমদবা অমদি নিংথৌসু মনাও ইবুংঙোদা শিন্নখ্রবনা মচিন-মনাও য়াওদ্রবসু কাঙজৈ হৌবা য়ারে হায়না চাউবা নোংথোম্বনা মীয়ামদা লাউথোকই। নুমিৎয়ুংবা মতুংদা শান্নবা হৌই। থাদোই মাবু উবদা নোংবান্দু মমাঙ চহীশিংদগী হেন্না ময়াই কাবা হেনগৎলি। খুন্থক পানাদা মাবু লম্বা পাবা ঙমগদবদি নামোইজাম্বা নত্তনা কনামত্তা য়াওরমদে। নামোইজাম্বা য়াওনা খুন্থক কাঙজৈরোয়শিংবু নোংবান্না নৈথরকপদা মীয়াম নিনবগী খোঞ্জেলদু মাঙ্গোন্দা ফল্লিবা খন্বগী নাকোং য়ৌরকখি। খোয়রাংগদবু খঙবনা মচেনা মাবু ইমুংদা তানশিল্লি। কাঙজৈ য়েংনীংমনবনা মাবু কাঙজৈবুংদা পুবিয়ু হায়না নিজবদু তাবীরদুনা থাংজিং লাইনা, কোয়রেল লৈমা কৌদুনা খন্বা মাবু কাঙজৈ য়াওহনসি, মাবু শেন্নরিবা মচেম খম্নুবু মফম অমদা পুথোকখ্রো হায়না থৌদারম্মী। কোয়রেল লৈমনা খম্নুগী মবুক্তা চঙখিবদগী ঈরুজবা চৎপা ওইনা পেরুক পেদাই খরসু হেক্লুগে হায়না ঈশিং পুন অমা পুরগা থোকখ্রে। খুদোংচাবদু লৌদুনা খন্বা ময়ূমদগী থোরক্লে। শেৎলিবা ফিজোল অদু মীরক তিনবা য়াবা নত্তবনা লাপ্তুক্না শান্নবুংগী চিথেক্তা লৈরগা য়েংলিবদু থোইবী সেনুনা উথোকখ্রে। মাবু শান্নবা য়াওহন্দুনা মায় পাকহনবীয়ু হায়না থোইবীনা থাংজিংদা নিজরম্মী। নোংবানগী খূৎশান্নদু উবদা খন্বা মাদি পেঞ্জদে। খুন্থক মচাশিংনসু পেন্দবগী খোল্লাউ লাউনরকই। চাউবা নোংথোম্বনা হেনমল্লে হায়না চৈরুববু শান্নরবদি অঙম অঙম্বা থেক্লবা হৌনবনি হায়না ইরায় লায়না খুমদোরকই। মতম অদুদা খুন্থক নুপা অমা থাদোইনা ফল্লিবা অদোমদা কাঙদ্রুম খুনবা চঙলকই। থোইবীনা মাবু কৌশিল্লগা শান্নবুঙগী চিথেক্তা ফল্লিবা খন্ববু য়াওহন্নবা চাউবদা হায়জরুনবা মেল্লম্মী। অসুম্না চাউবনা নুপা অদু কৌহল্লুরে। লৈফম হংবদা পাৎ অমগী তাইনবা মরক্তা লৈবনি খুম্লকপা পাউখুম্না খুন্থক মচানি তাকখ্রে। পারী-পুরী হংবদা খুমন মচা ওইরম্বা অমদি মচিন মৌপ্বাগী মিং তাবদা মমা মপাগী মিং তাকথোক্ত্রবসু মতাউ পুরেম্বগী মচা শোয়দনা ওইরে খঞ্জখি। অহনবা চরৈ পীদুনা হান্নগী অমনবা ফিজোলদু হোংদোকহল্লে। মখূৎ চাবা কাঙজৈ খঞ্জরুনবা হায়বদা মবূক্লিং তাবা য়াওদবদগী ফৈরোইজাম্বগী মনাক্তা লৈরিবা কাঙজৈ লীতোম্পোক অদু ৱাইজগে হায়রুবদা লৌজরো হায়বীরকই, নোংবান মমু য়ৈথৎনবা থৌনাসু হাপ্পীখি।

চূং-ফীরান চানা শাওং-শাবান নীংথিরবা খম্বনা মখূত্তা কাঙজৈ পায়রদুনা নোংবান লম্বা তৌরগে হায়না থোরকপদু উবদা তিল্লল্লিবা ময়ামদু কনা ওইরিগবা, খূৎনেক য়াদবনি, কনানা নেকউবনো হায়বনচিংবনা শান্নবুংদু পূম্নিন নিনখ্রে। চাউবনা শীল্লকপা ওইবনা চীন কাঙথোকপা ঙম্নদবসু য়াওই। খুনখারোম্না শাউনীংই, চিংনৈ, খুন্থক্লোম্না হরাউই। থৌগল্লোন খঙবা খম্বনি, মায়গৈ শুনা খুরুমজৈ। থওই উশিত্তবা নোংবানগী ৱাঙাঙ মপা চানা হায়রকপা মাগী ৱাহৈশিংদু তাবদা খুন্থক কাঙজৈরোয় তরুক্তু তূকথরম্বদগী খঙতেক তেকখৎখ্রে। খম্বা-নোংবান অনী অনীনা মুক্নাগী লৌ য়াওনা শান্নরকপা কাঙজৈদু কুম্মৈ অমা ওইরকই। খম্বনা-নোংবানবু চেপচিং চিংদুনা লংথরকপদা থোইবী মাঙদা উপ্রাক্না শীত্তুনা মমায় কুরোল হুবাৎলি। তৌগে মতানি কাঙদ্রুমসু, তাফম ইরৈ লৈত্রদৌনা মজাইবেম্মগী তম্পাক্তা কোক হেত তাশিল্লুরে। খুদোংচাবা মাঙহন্দে, তনৌরবী খূত্তুনা কনখ্রবা কাঙদ্রুমদু পায়রগা খম্বরোমদা লংশিল্লি। ***পাবুং পানা পাম্বোম - ও লাইরেক্কনু*** হায়না লাউজৈ। খম্বনা পাঞ্জল চনবদা মজাইবেম্মনা হৈরাং-লৈরাং, চরৈ-ফি কৎচৈ, খুন্থক পানা পূম্নমক থোরক্তুনা খম্বা মশক উদবমখৈ ফি থাখি। অসুম্না খুনখাগী পাঞ্জল মঙা শিংদোক্লবা মতুংদা পাঞ্জল তরামঙা চনশিন্দুনা খুন্থক্না থোইরে। কাঙজৈ লোইরগা মুক্না শান্নবদসু খম্বনা থোইরে। মুক্না থোইবগী চরৈ ফিনা অমুকসু খম্বগী মরেপ থুমখ্রে। চাউবা নোংথোনবনা মমা-মপা কনানো হংবদা তাকউ য়াদবদগী দোলাইপাবা তরেত্তা তাকথোক্ত্রিবফাওবা ফূননবা য়াথং তাউথৈ। ফূরগে থৌরাংলকপদা মচেম্না থম্মোয় শোক্কদবদু খল্লগা অশেংবদু তাকথোকই। পুরেম্বা ঙাংখরৈমা অনীগী মচানি খঙলবদা চাউবা অমদি তিল্লম্বা পূম্নমক কপ্নখ্রে। মপা ফংজরে হায়দুনা খম্বসু নুংঙাইনা জগোয় শাজৈ।

খম্বদি থারকপা চরৈ ফিয়ামদু চাউবগী মনাইশিং থাদুনা খম্নুগী মনাক্তা য়ৌহনখ্রে। মচা ফৈরোইজাম্বা অমদি খম্ববু মমাঙ তানা পুরগা মোইরাং নিংথৌগী মনাক্তা লাকই। থাজবগী ৱাংমদা চহী তরেৎ মায়থীদুনতা লাক্লবা খুন্থক্না মুক্না-কাঙজৈ থোইখিবদু পাউদমজবগা লোয়নননা মদুগী মরম ওইরিবা খম্বা কনানো হায়বদু লৈখাই শেংনা মোইরাং নিংথৌগী মফমদা ফোঙদোকখি। তাঞ্জাদুদা মপু সনা নাক্তা নোংবানসু য়ৌরকই। নিংথৌনা পাঞ্জি কৌশিল্লগা চুনবা য়েংহন্দুনা ***খুমন কংলা নিংথৌবা*** হায়বা অনৌবা মিংথোন অমা খম্বদা পীখি। খম্বা নোংবান অনীবু মপুনা কৌশিনবীদুনা মমাঙদা খম্রাংননা লেপহল্লি। চানীং-শেৎনীংবা মনীং তম্না লৈজনবা মনাক্তা খম্ববু থম্বীরম্নবা মোইরাং নিংথৌনা চাউবদা হায়রম্মী। নিংথৌকোনগী থৌগল্লোন খঙদবা লমজানি নোংমা নীনিদং মাগী য়ূমদা তম্বীরুখিগে হায়বা চাউবগী ৱাফমদু তাবদা নিংথৌনা খম্বগীদমক সনা লুপা পীরম্মী। লৌশিং লৈবা চাউবনি, মতাং চাদ্রি, খম্বনা মতিক চারবা মতমদা লৌগে হায়দুনা লৎনখি। মতাং চানা মোইরাং হরাউবগী ৱাফম হৌদোকই। নিংথৌনসু য়াবীরদুনা লাই হরাউনবা পাউজেল্লো হায়বগা লোয়নননা লৈরোই মকোক অনী নোংবান অমদি নামোইজান্বা অনীবু লৈ লাংবগী লৈ হেক্লবা য়াথং পীখ্রো হায়রম্মী। নামোইজান্বা মহাক্তি অহল ওইবনা নহা ইনখৎলকপা অমবু লৈরোই মকোক হাপ্পিনবা মশামক্না হায়রকপা ৱাফমনি হায়না চাউবনা শেমজিন শাজিনদুনা নিংথৌদা তম্লম্মী। মতুং তারকপদা পুরেম্বগী ফম অদু য়েংলগা খম্ববু লৈরোই মকোক হাপ্তুনা খম্বা নোংবান অনীবু লৈ লাংনবা য়াথং পীখি। খুন্থক পানাগী ওইনা নুংঙাইরবা নুমিৎনি। অদুবু চিংখুবদি মুক্না কাঙজৈ মায়থীবগী পাউ তাগনি খনবদা তম্পাক য়ূমদা হন্দনা চৈরাপ্তা মনাই অমা অনীগা লৈরম্মী। চাউবনা খম্বা পুরগা কাঙজৈ থোইবগী পাউ তম্বদু অহানবদা থাজরমদে। কাইনথংদা অশেংবা ওইরম্বা, মদুসু খম্বগী মপান্দগীনি হায়বদুসু খঙখ্রে। লৈঙাক মপুনা খম্ববু খুনখা লৈরোই মকোক হাপখ্রে হায়বা চাউবগী ফাগিবু থাজবদগী ময়াম্বগী নাক্তা থওইনা চত্তুনা ৱাকৎলুই। চাউবগী ইঙ্গিত্তগী নিংথৌসু ফাগিদুগী ঈনোৎ হাপকৎলি। অওইবনি খন্না মনাও ইবুংঙোনা খম্ববু ময়াম্বদগী নিজৈ। ময়াম্বনসু থৌজানবী। চিংখুবনা ময়ূম য়ৌরগা খম্ববু খুন্থক লৈরোই মকোক হাপ্পা য়াওনা ৱারম পূম্বা মাগী তালোই তরামাথোই অমসুং মজাইবেম্মা থোইবীদা পাউদম্মী। অমরোমদা চাউবনা খম্ববু ময়ূমদা পুদুনা মাগী নুপী নোংথোনবীগা মমা মচা শকখঙনহল্লি। খম্বনা ময়ূম য়ৌরক্লবদা নোংথোম্বীনা মচেগীদমক তম্লকপা ফি-রোলশিং অদু থমজিনখ্রগা চাউবগী মনাইশিংনা থিন্থখিবা অমদি ময়াম্না থারকপা অয়াম্বা লৈকায় মমা মপা ওইবশিংদা য়েন্থোক্লম্মী। মথংগী নুমিত্তা খম্বা চীংদা কাদুনা লৈ লাংবগী লৈ হেকপা চৎপদা পুননবা তরা চয়োম থিনবা থোইবী সেনু নুমিদাংদা খম্বগী নাক্তা লাকই। ৱারী ৱাতায় তৌনদুনা পুকমেন পাউমেন্নরবা তুংদা খম্বনা মপু মনাইবু ময়ূম মনাক ফাওবা থিনবীরুই। খোরিরোলগী ফজবনা য়োল্লবা খম্বা থোইবী শৈরেংগী ***কাঙজৈ***পন্দুপ্তা করি হী-য়াইবু ফুল্লিবা, মদু চিংথোক্লবা নৈনখিবা তারি। ●

# চাওখৎপা খুন্নাই অমগীদমক ৱাখল তামিন্নবা তঙাইফরক্তবা

- চন্দ্রমনি লাইফ্রাকপম -

মী মশীংদগী মী মখলনা য়াম্বা ইরমদম মৈত্রবাক অসি ঙসিদি হীরম খুদিংমক্তা অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তা ঙাইশিল্লক্লে হায়বদা লানগনি খনদে। শেঞ্জাও পায়বনা খুল্লিংবা লায়রবগী চাকথুং ফংদ্রবা তোল্ল-তারবশিংনা হিংবগী কুল্লুনা চপখায়বিরক্লিবা লমদমনি হায়বদা লানগনি খনদে। থবক থৌরম অমা পাঙথোকপদা কাঙলূপ অনী থোকপা অমনা তৌবদু অমনা থাজগন্দবা, অখঙ-অহৈনা শৌ শারবা লমদম অমা ওইরক্লি। পিক্লবা ইনি দয়াগুম্বা লমদম অমনি হায়বা য়ারিবা কাঙলূপ-ফুরুপ কয়ানা খুন্দামিন্নরিবা লমদমনি হায়বদা লানগনি খনদে। তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিংগী তোঙান তোঙানবা চৎনবী, হরাউ কুম্মৈ অমদি হৌন-লোনচৎ কয়ানা পুবা থাংবা ৱারবা লমদমনি হায়বদা লানগনি খনদে। অদুবু ৱাখল তামিন্নবা ৱাৎপনা অমনা তৌবদা পেন্থোকপগী মহুত্তা অয়েৎপা অমদি অপনবা পীবগী চৎনবী লৈরিবসি শেমদোকহৌবনা অফবা মতেং ওইগনি। চৎন-কাঙলোন লৈতবা লমদম অসিদা মানা-মানা তৌরিবা থবক্তুনা অচুম্বনি খন্নরকপা, থওই উশিৎনরক্তবা পূম্নমক চৎনবী ওইহন্দনবা হোৎনবা মথৌ তারক্লি। লোইশঙ খুদিংদা চৎনরিবা মরম চাদবা শেঞ্জা থুমজাশিং তোকথোকপীবনা চাওখৎপা খুন্নাই অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি। মীওইবসি মশাগী অশোয়বদি খঙদবা, মীগী অশোয়বদি ঊানবা কাঙলূপনি। মরম অসিনা শোইখ্রে-লানখ্রে খঙলবদি অচুম্বা মায়কৈদা লাকপা য়াননবা হোৎনবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। ৱাখল তামিন্নরবদি চাওখৎপদা মতেং ওইগনি, হিংমিন্নবদা খুমাঙ চাওশিন্দুনা তংদু লৈতানা হিংমিন্নবা য়াগদৌরিবনি।

মীওই অমনা ৱাখল চোইরক্তুনা থোকহন্নীংদবা থবক কয়া থোকহল্লকপসি কল্লকপা, অশাওবা অমদি শিংনবা হায়রিবা থৌওংশিংনা থোকহল্লকপনি। মরম অসিনা মীওইবদা য়াওরিবা কল্লকপা অমদি মীহৌবগী খুরবা ৱাখল থাদোকপীদুনা খুন্নাইগী ঈচেলদা তিন্নবা হোৎনবনা অফবা খোঙথাং ওইগনি। লৈবাক্কী মপি-মপা ওইবিরিবশিংনা লমদম অসিগী অৱাৎপা য়েংশিনবীদুনা অৱাৎপা লৈহনবীদনবা হোৎনবীবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। লৈঙাক পায়রিবা লৈঙাকলোয়শিংনা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা থবক থৌরমশিং তৌদুনা য়েংশিনবীবনা অফবা খোঙথাং ওইগনি। মীওই খুদিংমক অফবা ওইননবা, ফত্তবা থবক তৌবগী হৈনবী থাদোক্তুনা ৱাখল তামিন্নরবদি চাওখৎ মায়কৈদা চঙশিনবা ঙমগদৌরিবনি।

মীচম মীয়ামগী থৌগল তৌগে হায়না থোরক্লিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা য়ূমথোঙ খুদিং চঙবীদুনা চাকথুং ফিথুংবিদ্রবা লায়রবা মীয়ামগী লায়রবা কোক্লবা হোৎনবীবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। মথৌ তাবা মীওইশিংদা ফংফম থোকপা চাকথুংশিং ফংহনবীরবদি মান্নবা খুন্নাই অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইদ্রিঙৈদা ৱাশকখিবা কয়াদো মীহুৎ ওইরবা মতুংদা থবক ওইনা উৎথোকপীরবদি চাওখৎপা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মীহুৎ ওইবিরক্লবশিং মীয়ামগী অৱাৎপা মেনশিনবীবগা লোয়নননা অচুম্বা থবক খরা তৌবীবনা অফবা ওইগনি। মীওইবনা ৱাবগী পনখৈ য়ৌরক্লবা, তঙাইফরক্ত্রবা মতমদা ৱাখল তামিন্নরকপনদি খাঙেনফম য়ৌরগা লায়েংবগুম থোক্কনি হায়বদা লানগনি খনদে। মরম অসিনা অনাবা হেনজিন্দ্রিঙৈ অনাবা হৌরকপদা লায়ওং য়েংলগা হীদাক থাহৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগদৌরিবনি।

তশেংনা হায়রবদা ৱাখল তামিন্নবা ৱাৎপদগী থাজবা ৱাৎনরকই অমসুং য়ৈখাই থিনগাইবা কয়া থোকহন্নবগী মচাক ওইরকই হায়বদা লানগনি খনদে। অনী থোকপগী চৎনবী ঈচেল অসি থাজদবগী মওং উৎথোকচবা মচৎনি। মসিনা কাঙলূপ অমগা কাঙলূপ অমগগী মরক্তা হূ কামশিন্নদুনা নাকপাক তান্নবগী মচাক ওইহল্লক্তুনা লালগী লালপুঙ য়ৈবগুম থোকহল্লকপা য়াই। অদু ওইরবদি তিল্লাং য়োৎথরগা পূক্লিং লৈতানা থৌরম অমা শিলহৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। পাম্বৈ কয়া থিদুনা অশোয়বা চুমথোক্লবা হোৎনবনা হিংমিন্নবগী অচুম্বা লিক্লম ওইগনি। শিংনবা হায়বসি অফবা মায়কৈদা চঙলবদি চাওখৎ মায়কৈদা অফবা ওইগদৌরিবনি। অদুগা অরানবা মায়কৈদা চৎলগনা য়েক্লবা ওইগদৌরিবনি। মরম অসিনা থবক অমা তৌবদা অনী থোকপা হায়বসি অমনা তৌবদু য়ানীংদদুনা শিংনবগী থৌওংনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মীওই কাঙলূপ অমনা তৌবা থবক্তু মীওই কাঙলূপ অমনা য়ানীংদে হায়দুনা অনৌবা থৌরম অমা শিনবগী থবক অসি অফবা খোঙথাং ওইগনি খনদে। থৌওং অসিনা লিংজেল মান্নদবগী লিক্লম য়াৎহনবতা নত্তনা নুংশিনদনবগী মচাক ওইহল্লক্লি।

অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু অফবা থবক অমা তৌরকপদা পূম্নমক্না শৌগৎপীরবদি অফবা মহয় ওইগনি খল্লি। মদুদি নত্তদুনা মখোয়না তৌরিবদু য়ানীংদে হায়দুনা লূপ অমা অমুক থোল্লকপা তারবদি পান্দম অদু ফংদনবগী মচাক ওইহল্লি। অসুম্না লুচিংবা য়াম্না থোল্লকপনা লমদম অসি অকিবগী মশক ওইরক্নবগী মচাক ওইহল্লক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক ৱাখল তামিন্নদুনা পুকচেল শেংনা থবক তৌমিন্নরবদি তংদু লৈতানা হিংমিন্নবা য়াগদৌরিবনি। খুন্নাই অমা চাওখৎহনবদা কাঙলূপকী ওইবা ৱাখল থাদোক্তুনা অপূনবগী খোঙজং অমদা চঙশিনমিন্নবা হায়বসি হিংমিন্নবগী অচুম্বা লিক্লম ওইগদৌরিবনি। মরম অসিনা কাঙলূপ-লাইনীংগী ৱাখল তুংওইনরগা মীওইবা হায়বগী মওংদা চঙশিনমিন্নবা তারগদি অফবা মহয় ফংগনি। লৈকায় অমা চাওখৎপদা ইমুং খুদিংমক চাওখৎমিন্নবা য়াদবগুম খুন্নাই অমা চাওখৎহনবদা ফুরুপ পূম্নমক থোং মান্ননা চঙমিন্নবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। অরানবা থাজবা অমদি অচুম্বা লিক্লম খঙদবা হায়বসি হিংমিন্নবদা খুরৌ থাংবতা নত্তনা চাওখৎ মায়কৈদা মমৈ ওইনবগী মচাকনি।

ৱাখল লৌশিং লৈরবা, য়াইতোং ফমদোংবা অমদি ফম্লাইবা কয়ানা শৌ শাদুনা লৈরিবা লমদমসিদা করিগীদমক তংদু লৈতানা হিংবদা ৱারিবনো হায়বগী মরম থিদোকপীগদবনি। অপিকপা ৱাখল থাদোকমিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নবা য়াবা থৌওংদি কল্লকপা অমসুং থাজদবা হায়বসি লৈহন্দ্রবা মতমদা ওইথোক্কদৌরিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অসিনা তুংগী লম্বী মঙম শান্না উবগা লোয়নননা ৱাখল তামিন্নবা শিনবীবনা অফবা ওইগনি। অহল ওইরবশিং অমদি মপি-মপা শক্লিবশিংগী পাউতাক ইন্দুনা অচুম্বা লিক্লম পুথোকপনা অফবা ওইগনি। অদুবু ৱারেপ অমা লৌদ্রিঙৈদা ৱাখল তামিন্নবগা লোয়নননা অপাম-পামদা অমদি অশোয়বা কয়া থোকহন্দনবা চেকশিনবনা পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৫

১। ইবুধৌ পাখঙবনা কংলাদা পানবা কুম মমাঙদগী মোইরাং লৈবাক্তদি নিংথৌ পান্দুনা লৈরবনি। পাখঙবনা খৃ: তুং ৩৩দা ফম্বাল কাবদগী চৈথারোল কুম্বাবদা লাচনবদু মোইরাংগীদি খৃ: মাঙ ৫২দগী লাচনখিবগী ৱা ফংই।
(ক) পাখঙবগী ফম্বাল কাবা মতমদা পাল্লম্বা মোইরাং নিংথৌ অদুগী মমিং করি কৌবগে?
(খ) মোইরাং নিংথৌ অদুগী হাক্তক্তা শায়োন ৭কী অহানবা হেঞ্জুনহা লাইরৌরেম্বী পোকখি। হেঞ্জুনহাগী মমাগী মমিং করি কৌবগে?
২। "নুংথিল পাখঙ খোঙচৎ লোইরক্লে। ৱাংমা লাল্লক্লে। মম্না মুখ্রিবা ৱাংমা তোর্ব্বাননি।" পরেং অহুম অসি জননেতা ইরাবতকী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। "পৈশানা ঙমদবা করি লৈ/শেলদা পীয়ু... সত্য ঐ তৌগে।" ৱাফম অসিমনা "শ্রী তোম্বা অমসুং কৈ" হায়বা দ্রামা অদুদা শ্রী তোম্বনা হায়রিবনি। দ্রামাদু কনানা ইবনো?
৪। "কথোকপা, অখাঙ কনবা, অমদি মীনুংশি লৈবগী মতিক কল্লক মিহৌবা, অশাওবা, ৱারৌবসু নুপীদা লৈ।" ৱাফম অসিনা নিংঙোম্বম সুনিতানা মাগী ৱারীমচা অমদা হায়রিবনি। ৱারীমচাগী মমিংদু হায়য়ু।
৫। "হায়য়ু লৈরাং শকহেনবী ও! করি পুকচেন্নো/মিৎচি তেন্না থাবিদুনা খোইমু থম্মোয় চাকহনবদি।" পরেং অনী অসিনা মমিং লৈরবা অরিবা ঈশৈ অমগী অহৌবনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্নবা মরী লৈনদে।